ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯇ ꯱꯵, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, ওগষ্ট ১৫, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ১৩৮শুবা মশীং

# ময়াই কাবা দ্রগকী চৈথেং

## গোল্ডন ট্রাইএঙ্গলগা নক্নরুবনা ময়াই কাবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংলি

মালেমদা কানি খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা ম্যান্মারসু অমনি হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অফঘানিষ্টানগী হেক মথংদা অনীশুবা ওপিয়ম খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা লৈবাক ওইরিবা ম্যান্মারদা পোপি পান্বী মরাং কায়না থারি। ম্যান্মার, লাওস অমসুং থায়লেন্দগী তাইনবদা লৈবা গোল্ডন ট্রাইএঙ্গলগা হেক থংননা ম্যান্মারগী কাচিন, নোর্থ শান, সাউথ শান অমদি ইষ্ট শানদা ওপিয়ম চাং ৱাংনা পুথোক্লি। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না নোর্থ-ইষ্টর্ন শান ষ্টেটকী লৌমী অয়াম্বা পোপি পান্বী থাবগা লোয়ননা মতম অমদা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি)গী চাদা ৫০ রোম দ্রগনা ওইখি। ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু লালহৌবগী অকনবা মফমনি হায়রিবা শান ষ্টেটতা পোপি পান্বী পাক-শন্না থাবগা লোয়ননা ময়াই কাবা দ্রগ মরাং কায়না পুথোক্লি। ইৱা-ৱাদবা মওংদা শেল চঙদনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং ওইবনা এম্ফিটামিন অমসুং মেটাএম্ফিটামিনগুম্বা দ্রগ পুথোকপগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি। ম্যান্মারগা থংননা লৈরুবা মরম্না মণিপুরদসু মখল কয়াগী ময়াই কাবা দ্রগশিং ইরায় লায়না পুশিল্লক্লি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুবা মীগী মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা লায়না কয়ামরুম শন্দোরকপগী ফীভমদা লৈরি। ঐচ আই ভি/এইদসকী চাং ৱাংখৎলকপদগী নেসনল এইদ্স কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (নাকো)না নেসনল এইদ্স কন্ট্রোল প্রোগ্রাম পায়খৎখিবগা লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট এইদ্স কন্ট্রোল সোসাইটিনসু মেল হেভিং সেক্স ৱিথ মেল (এম এস এম), ফিমেল সেক্স ৱর্কর (এফ এস দব্লিয়ু) অমসুং ইন্ট্রাভিনস দ্রগ য়ুজর (আই দি য়ু)শিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা থৌরাং কয়া লৌখৎলকখি। ময়াই কাবা দ্রগ শীজিন্নবা অমসুং ঐচ আই ভি/এইদ্স লাকশিন্নবগী মতাংদা মালেমগী ফন্দিং এজেন্সিশিংনসু মতেং পাংলক্লি। জপানীজ ইন্টরনেসনল কোওপরেসন এজেন্সি (জে আই সী এ) অমসুং নেসনল এক্সটর্নেল ক্বালিটি এসেসমেন্ট স্কিম (এন ঈ ক্যু এ এস)গী তেংবাং কয়া ম্যান্মার গভর্ণমেন্টতা পীবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদসু বিল এন্দ মেলিন্দা গেট্স ফাওন্দেসননা শেন্থং কয়া পীরকখি। অদুম ওইনমক ময়াই কাবা দ্রগ মরাং কায়না ফংবনা মরম ওইরগা ঐচ আই ভি/এইদ্সনচিংবা লায়নাশিং লাকশিন্নবা থৌরাং খূমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা খুন্নাইগী মীরোল অমা মরূ ফংনা মাঙহনবা য়াবগী ফীভম লাকপদগী ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারনা হীরমসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা মতেং পাংননবা থৌরাং লৌখৎলকখি। হন্দক্তা লৈবাক অনীনা নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সী বি) অমসুং সেন্ট্রেল কম্মিটি ফোর দ্রগ এব্যুজ কন্ট্রোল (সী সী দি এ সী)না দিরেক্টর জেনরেলগী থাক্তা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা দ্রগ ট্রাফিক্কিং থিংনবা থৌরাং লৌখৎখি। নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা নাকল অনীনা দ্রগ ট্রাফিক্কিং থিংনবা হোৎনবদা অমনা অমগী মতেং পাংনবগী ৱাফম য়ানবা পুরকখি। মীফমদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাঙবু অদু নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী দিরেক্টর জেনরেল অভয়না লুচিংখি। ম্যান্মারগী মীহুৎ কাঙবু অদুনা সেন্ট্রেল কম্মিটি ফোর দ্রগ এব্যুজ কন্ট্রোলগী জোইন্ট সেক্রেটরি, বৃগেদিয়র জেনরেল ৱিন নেংনা লুচিংখি। ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা ময়াই কাবা দ্রগশিং মণিপুর ফাওরগা তোঙান-তোঙানবা মফমদা য়ৌখিবদগী অতৈ অতোপ্পা মফম কয়াদসু চৈথেং ফংলি। মেঘালয়াগী ওইনসু ষ্টেট অদুগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মরাং কায়না ফংলিবা ময়াই কাবা দয়গশিং মণিপুরদগী পুশিল্লকপনি হায়বা খঙবদগী মেঘালয়া পুলিসনা দ্রগকী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংশিংদা মণিপুর পুলিসকী মতেং লৌগদৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা ইষ্ট খাসি হিল্স দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ক্লোদিয়া লিংদোনা এজেন্সিদা হায়খি, মণিপুরদগী ময়াই কাবা দ্রগ পুরগা চঙলকপা মীওই কয়া মেঘালয়া পুলিসনা ফাবা লৈখ্রে। শিলোং য়াওনা মেঘালয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ফংলিবা ময়াই কাবা দ্রগশিং মণিপুরদগী পুশিল্লকপনি হায়বা খঙলে। লাক্কদৌরিবা চহী খরগী মনুংদা নহারোল চাদা ৫০ রোম দ্রগকী ঈরোলনুংদা লুপখিবা য়াবগী ফীভম লৈবা মরম্না মণিপুর পুলিসকী মতেং লৌরগা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি হায়রি। হন্দক্তসু মণিপুরদগী নুপী অমা হিরোইন গ্রাম ৯৩০গা কোন্ননা শিল্লোংদা ফাখিবনি। মতীক-ময়াই লৈবা খূৎপু অমনা দ্রগ লল্লোনবগী থৌওং চৎথরক্লে হায়বা খঙবদগী হন্দক্তা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি)গী থাক্কী মীফম অমা ইম্ফালদা পাঙথোক্তুনা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা খন্ন-নৈনখি। চপ মান্নবা মীফম অমা শিলোংদা অমুক পাঙথোক্তুনা মখা তাবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা খন্নগদৌরি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা মশীং য়াল্লবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং থমদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু মতৌ করম্না ময়াই কাবা দ্রগশিং ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা ঙক্লিবনো হায়বদুনি। তুংগী মীরোল কন্নবগীদমক হীরম অসিদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোক্লে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ঐখোয়গী লৈকায় লূ-নালহনসি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

প্রাইম মিনিষ্টরগী ইন্দিয়া লূ-নালহনসি হায়বা থৌশিলসি য়াম্নমক ফবা পাউজেল অমনি। ঐখোয়না বাপুজিগী ৱারীদসু থেংনজখ্রে, মহাক্লা লম-তু লূ-নানবা পামজৈ হায়না। ইরমদম ওইরো, মীরম ওইরো ঐখোয়না লৈরুরিবা মফম অদুদি মতম খরগী ওইরবসু লূ-নালহনবা হায়বসি য়াম্নমক মরুওই। অমোৎপা মফমদগী মহিক-মতাই, লায়না-তীলনা পোকই। তরু-তনানবা মফমদনা ৱাখল-লৌশিং পোকই হায়বসিদি অমুক হায়নরুদ্রবসু মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। তৌবতবু থবক ওইনদি পাঙথোক্লদে। অচাউরম পাম্বনরা নৎত্রগা মাগী মাগী থবক্লা চিন্নবনরা খঙদে। অদুবু খরা খন্থবা খরনদি থবক ফনা চিল্লবসু শেল তিংনা মী নেক্তুনা মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী য়েংনা মাগী মাগী ইখ্োল অকোয়বা, ইরম-নালা নিংথিনা শেংদোক্লে। লৈকায়না, ক্লবনা চহী অমগী মনুংদা, মঙাগী মনুংদা অমুক শেংবনদি লূ-নানবা লৈকায় ওইবা কৈদৌনুংদসু ওইথোক্লোই। অসিগুম্বা থবক্তি মীয়ামগী ওইবা মতমদা তৌগদবনি/তৌনরিবনি। ঐগী লৈকায় নালহনগে, ঐগী খুঙ্গং তরু-তনালহনগে হায়রবদি ইশা-ইশাদা লৈগনি। মায়দা মকে শেন্নগা নাপি, লৈখোম কান-কান্দুনা য়ূমদগী থোরকপদি ইকায়নীংঙাই ওইবা মওংনি। লৈঙাক্কী ওইবা মফমদি লৈঙাক্তা তাইনসি অদুগা ঐখোয়গী ওইবা মফমদদি ঐখোয়না শেমজদনা লৈঙাক্তা তাইনবসু অচুম্বা ৱাফম নত্তে। হৌজিক্তি মীয়ামগীদমক অমোৎপা খোম্নবা গাড়ী কয়াসু লৈনরে। মী উদ্রগা লোইরে হায়না মফম চাদনা অমোৎ-অকায় পংহুন-হুন্দোকপসু অশিংবনি খনবীগনু হায়জনীংই।

*অদোমগী - খাইদেম বোরসিংহ, ব্রহ্মপুর*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১। মণিপুরী পুৱারীদা কালি তৈখিবা অমতংগা হায়বা তারবদি মহারাজ সুরচন্দ্রগী মচাইবেম্মা সনাতোম্বীনা বর সাহেবতা ওংশিনখিবা অসিনি। অদুবু মাতদি নত্তে, কর্নেল সাহেবনসু কাংঙবম চনু অমা লৌখি। মখোয়বু মাংই হায়দুনা খুন্নাইনা ইন্থোকখিবনি।

(ক) সনাতোম্বীগী মমা ইবেম্মা কৈয়ুম নিংঙোলনো?

(খ) কাংঙবম চনু অদুগী মমিংনা করি কৌই?

২। "প্রেম্না লিংবা জগৎনিদো/পুবনিদো প্রেম্না/পুনবনিদো প্রেম্না/তেংবাল হিংবনিদো প্রেম্না।" পরেংশিংসি কবি মীনকেতন্না হায়রম্বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "ইশাগী পুন্সিগী শরুক চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরাদি চেনা ফাক্তোক্তুনা উৎচরে। শরুক তরারোম অসিদি লোৎশিন্দুনা থমজরগে।" কবি কনানো হায়রিবসি?

৪। "মাগী মাগী নুপীনা/হায়বা ইনবা নুপাশিং/ওইরম্বা য়াই তাত্তৌবা/লোন্না নুপী কোয়বা য়ানবা।" ৱাফমসিনা 'চিল্লো পামজনা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগীনি। অইবী অদু কনানো?

৫। "তাইবঙ কৈথেল কারকপদা/পুন্সি লল্লোনবা লাকপদা/শেন্দোং তানগে খল্লুবা/শেল্লেপ মাঙদুনা হন্দৌরে।" ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুগা মমা পীজগনি।

# লম-লৈবা-য়োনবা-মিং-ওনবগী রেজিষ্ট্রেসন থিংখিবা

সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

'পাউচে' শিংদা পাখিবনি - জুন তারিখ ২৭তা ফমখিবা মণিপুর ষ্টেট কেবিনেটকী মীফম অমনা ৱারেপ অমা লৌখি। কেবিনেট মিনিষ্টর মশীং শুনা লাক্তবা মীফম খরা য়াওখিবশিংদুই মরক্তা অমরা? নৎত্রগা, মশীং শুনা লাকখিবা অমরা? মদুমদি নীংশিংদ্রে। খন্নখি ৱাফমদুদি, লৈঙাক্লা সর্ভে তৌবা লোইরবা লমশিংদা খুন্দাদুনা লৈরিবা ঐগুম্বা, মীকোক খুদিংমক্তা শোকপা ৱাফম ওইবনা, ঙসিসু নীংশিংলি। ইচম চম্বা ৱারোলদা - মীশিংনা দখল তৌদুনা লৈরিবা লম (লেন্দেদ প্রোপর্টি) শিং অমনা অমদগী লৈবা/য়োনবা, লমগী মপু হোংদোক হোংজিন তৌবগী থবক নীংথিনা য়েংশিন্নবা 'হায় পাৱর কম্মিটি' অমা শেম্লগনি হায়বনি। তাবদদি ফজবা - থবক (থৌরাং) অসি পায়খৎলকপই মরমদি শেঞ্জাও পায়বা কাঙবুনা পাক-চাউরবা লম কয়া হোংবা/চাউবা/তোম্বা/তোম্বী কনাগী মীংদা লৈশিন্দুনা থম্লগা অরোনবা মমল অমদা ৱাংনা-চাউনা য়োনবগী থবক অমা চত্থনরক্লিবসি থিংনবনি। হায়দোক্লবদি ফজরিবরা? অসিগুম্বা হুরান-চিন্থি, ওইদ-পাদা বেনামি ট্রান্সেক্সন তৌরিবদি মন্ত্রি-ফাত্রি-অচৌ-অশাংগী ইমুং মনুং ঙাক্তনি।

অখঙ-অহৈশিংনা হায়নৈ - মিনিষ্টরশিংনা খল্লিবা পান্দম অসিবুদি চুম্মী, ফজৈ - অদুবু লৌখৎলক্লিবা থৌরাংসিদি মথোঙ হুক্তবা, থৌওং-থৌশিল হৈতবা মী অমগী থৌদৌদুনি। সনা-য়াথং লৈবাক তাহৈদে হায়বদুনি। জুলাই তারিখ ১৭তা মণিপুরগী রিভিন্যু সেক্রেটরিনা ওর্দর অমা থোক্লকই - কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অদু থবক ওন্থোক্লবা মীওই তরেৎনা শাবা কম্মিটি অমা শেম্লে - রিভিন্যু কম্মিস্নর/সেক্রেটরি'না চেয়রমেন; অতোপ্পা মেম্বর তরুক'তুনা (১) মহুদ'কী কম্মিসনর/সেক্রেটরি; (২) এগ্রিকলচর কম্মিস্নর/সেক্রেটরি; (৩) ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (ইন্টিলিজেন্স); (৪) ইকোলোজি এন্দ এনভাইরোনমেন্টকী দাইরেক্টর; (৫) রিমোৎ সেন্সিং হায়নবা, এম এ আর এস এ সী'গী দাইরেক্টর; অমদি (৬) মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নর।

ওর্দর অসিদা মখা তানা পল্লি - মণিপুরগী সব-রেজিষ্ট্রারশিংনা, মখোয়দা সবমিট তৌরকপা চে-চাং (দোক্যুমেন্ট) অমদি ইনফোর্মেসনশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা কম্মিটি অসিদা থাগৎলকপা প্রোপোজেলশিং অদু মতম মতমগী ওইনা দরকার ওইরকপা খুদিং তোয়না ফম্মিন্নদুনা কূপ্না খন্নরগা রিকম্মেন্দ তৌরবা প্রোপোজেলশিং অদুতমক রেজিষ্টর তৌনবা থবক পায়খৎকদবনি। য়াথং অসি খুদক্তগী চৎনরগনি, লোয়ননা, নুমিত্তুগী মতুংদা কম্মিটি অসিগী অয়াবা য়াওদনা মণিপুরদা লম মচেৎ অমত্তসু লৈবা-য়োনবা, মিং হোংদোক হোংজিনগী থবক অমত্তা তৌবা য়ারোই।

নীংলকপা ৱাখল অমা খুদক্তা থবক হেক্তা পাঙথোক্কদবনি হায়বা, কমদৌনা অমদি কনানা পাঙথোক্কদগে হায়বদি মুন্না খন্থদবা, অঙাওবা নিংথৌ অমনি ঙাঙনখিবা ইন্দিয়ন হিষ্টরিগী 'মহম্মদ বিন তুঘলক' নীংশিংলকই - মাবু নুংশিবা কাঙবুনা মহাক্লা হিংখিবা মতমদুগী মমাঙ চৎখৎনা ৱাখল খনবা, মতমগা চানদবা মীশকনি শিংথানখিবা!

করি শারে হৌজিক্তি ? য়াথংদু থোকখিবা নুমিত্তগী, নুমিৎ খুদিং মীনা কৃক কৃক ইন্নরম্বা লম্ফেলগী সব রেজিষ্ট্রার ওফিস তূমিৎ ফাওবা পাইখিদ্রে। কনভেনর য়াওদবা কম্মিটিদু কনানা কনভেন তৌদুনা মীফম কয়া ফমখ্রবা? কনাগী করি প্রোপোজেলদা করম্বা অশোয়বা য়াওরমদুনা প্রোপোজেল কয়া হনখ্রবরা? কয়ানা রেজিষ্টর তৌখ্রবা? খঙদে কনামত্তনা পাম্বৈসু লৈতে খঙননবা। চৎলুরগা খোয়দৌ-শাউগৎনা হল্লকখিবশিংদুই মনুংদা ঐসু অমা ওইরুবনি - নোংমা-মরুপ অমগী মচানুপাগী হাওসিং লোন লৌননবা মাগী ইখ্োল মচেৎ অমা মচাগী মীংদা খুদোল ওইনা পীবগী রেজিষ্টার তৌগে চৎপদা। কেন্সর পেসেন্ট অমগী, টাটা মেমোরিএল হোস্পিটাল, মুম্বাইদা পূনবা শেল লৈতদুনা ইখ্োল মচেৎ য়োন্নবা, মচাগী থবক (আই আর বি) চঙনবগী শেল পীজনবা লৌ য়োন্থোকপগী... তোঙান তোঙানবা মরম কয়াগীনি রেজিষ্ট্রার ওফিসতুদা লাক্লমখিবা। কনানসু চীফ/রিভিন্যু মিনিষ্টর'বু বর পীরমখিদে। খোয়দৌ থীৎন হনখিবমক্তনি।

মরকসিদা পাউ তারকই - ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায়দগী ৱাহেংবম চন্দ্রকুমার কৌবা জেনরেল পব্লিক অমনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর'দা, মথক্তা পঞ্জখ্রিবা গভর্ণমেন্ট ওর্দরসিগী মায়োক্তা 'পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন' অমা ফাইল তৌরক্লে। পাউ অদুনা, খোয়শাওনরম্বা মীওই কয়াগী খোয়দৌদু খরদি ঈংথহল্লমগনি হায়ববু, পি আই এল অদু কোর্টনা ইকায়খুম্নদুনা মথোঙ হুক্তবা লৈঙাক্কী ওর্দর'দু চৎনররোই (ক্বাস তৌরে) লাউথোরক্কদ্রা? নৎত্রগা, 'এদভোকেট জেনরেলগী মৱা অমা তাখিগে' হায়দুনা থিন্থহনগদ্রা? ইন্দিয়ন কোর্ট'তা থেংনবা কেস অমবু মতম চানা ৱায়েল ফংহনবা - কৈদৌঙৈ, কদায়দা তাখ্রবগে? অদুনবু হায়নরিবনি - ইন্দিয়াদবু লো লৈবরা? ... লো লৈতবা লমদমনি ... মীৎ উইশিল্লগা/খুমজিল্লগা ৱায়েল্লিবা লমদমনি - সো এন্দ সো...। হন্দক্কী পি আই এল অসি মমাঙগী অতৈ পি আই এলশিংদগী খেন্নবা/তোপ তোপ্পা মতৌ অমা লৈ। মদুদি- পিটিসনর অসি লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা এদমিনিষ্ট্রেটর অমা ওইনা থবক তৌরম্লবা, অদুগীসু মথক্তা সব-রেজিষ্টর অমা ওইনা মতম শাংনা থৌ পুরম্লবা রিটয়ার্দ ওফিসর অমনি। ওর্দর অসিনা মঙোন্দা মরন্নাই ওইবা মাঙজবা অমা থোকহল্লে/শাগৈ-নাতে অমা অৱা-মায়োক্লহল্লে হায়দুনা থাঙ্গৎলকপা লিটিগেসন নত্তে। মীয়াম্না মায়োক্লরমগদবা খুদোংচাদবা, ফংফম থোক্তবা অৱাবা কয়া মায়োক্লরমগদবদু মথম্মোয়দা ফাওবীদুনা থাংলকপা খোঙথাং অমনি।

কুমজা ২০১৯, জুলাই ১৭তা রিভিন্যু দিপার্টমেন্ট'না থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না (নম্বর ১৬/১৬/২০১৯, সেল দীদ), নুমিত্তুদা শেমখিবা কম্মিটিদুগী অয়াবা য়াওদনা, মণিপুর পূম্বদা লম (লৌ নৎত্রগা ইখ্োল) লৈবা/য়োনবা/খুদোল পীবনচিংবগী আইনগী থোঙদা ইনবা য়ান-ৱারোল (দীদ) পূম্নমক রেজিষ্টর তৌবা লেপ্পবা, লৈবাকসিগী রেজিষ্টরিং ওফিসলশিংদা য়াথং তৌখি। পূমলেপ লেপখি। চমম্নরবা রেজিষ্টরিং ওফিসলশিংদুগী মমীৎ-মনা শিংনবা, এক্সপার্ট কম্মিটি অদুনা তৌগদবা থবক্তুগী গাইদ লাইন নৎত্রগা পীখৎলক্কদবা প্রোপ্রোজেল অদুগী ফোর্মেট/সেম্পল/নমুনা অমা পীথোকপসু তৌদবদুনা থবক অসি হেন্না থেংথহনবগী মরম অমা ওইহল্লি।

সেন্ট্রেল এক্ট ওইরিবা রেজিষ্ট্রেসন এক্ট ১৯০৮ অমদি ইন্দিয়ন ষ্টাম্প এক্ট ১৯২৫ মণিপুরদসু চৎনহল্লি। এক্ট অসিগী (রেজিষ্ট্রেসন এক্ট) সেক্সন ৩গী মতুংইন্না, ষ্টেটসিগী রিভিন্যু কম্মিস্নর'বু এক্স-ওফিসিও ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ রেজিষ্ট্রেসন ওইহল্লি। মতৌ অসুম্না, ষ্টেটসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংবু, দিষ্ট্রিক্টশিংদুগী এক্স-ওফিসিও রেজিষ্টার ওইহল্লি। দিষ্ট্রিক্ট ১৬ অসিগী সব-দিভিজন ময়ামসিগী সব-রেজিষ্ট্রার কয়া অমসু হাপখ্রবনি। লমগী মমল (ভেল্যু) হন্থনা লেপ্পা থিংননবা, লমশিং অদুগী লোকেসন মতুংইন্না মিনিমম গাইদেন্স ভেল্যু অমা লেপ্পবা গভর্ণমেন্ট ওর্দর অমসু কুমজা ২০১২গী মার্চ তারিখ ২০দা ইস্যু তৌখি।

অসিগুম্বা ওর্দরশিংদুগী ৱারোল ঙাক্লা, লম মপু অনীনা লৈবা/য়োনবা নৎত্রগা অতোপ্পা মরম অমগীদমক মিং ওন্থোক ওনশিন তৌনবগী দোক্যুমেন্ট রেজিষ্টরিং ওথোরিটি অমগী মাঙদা পুরক্লবা, লৌফম থোকপা ফী লৌরগা দোক্যুমেন্ট অদু রেজিষ্টর তৌবা, ওফিসরদুগী তৌফম থোকপা মথৌনি - এক্টসিগী সেক্সন ৩৪গী মতুংইন্না।

অদুগা, থবক অসি য়েংশিন্নবগীদমক শেমখিবা কম্মিটিদুগী মেম্বরশিং, হৌরকপদা পঞ্জখিবা, মশা-মশানা পায়রিবা থৌগায়শিংদু পায়বদা হান্ননা চিন্দুনা লৈজরবা ওফিসর ঙাক্তনি। দিষ্ট্রিক্ট ১৬সিগী সব-রেজিষ্ট্রার ৪০গী প্রোপোজেল য়েংশিন্নবা চয়োল নৎত্রগা থা অমদা কয়ারক ফম্মিন্নবা ঙমদৌরিবা? অচৌবা ৱাহং অমনি। হেক শেমখিবা নুমিত্তগী ঙসি ফাওবা অমুক্তফাও ফমখিদ্রি হায়। 'সিবু অশিংবা লুচিংবা অমগী অশিংবা ৱারেপনি করম' হায়দৌরিবনো?

কুমজা ১৯৬৫দা পোকখিবা সিঙ্গাপোর, কুমজা ১৯৭০দা লেন্দ রেকোর্দ কম্প্যুটরাইজেসন পুমলোই লোইখি। ঙসিদি লেন্দ রেকোর্দ অমদি ট্রান্সফর ওফ লেন্দেতা প্রোপর্টি রেজিষ্টর তৌবদা মী অমত্তবু মথৌ থৌগায় পুহন্দে হায়। পূম্নমক কম্প্যুটরগী মতেংনা। মরুওইরিবদি, লৈবা-য়োনবা তৌরিবা মখোয়গী পুকচেল শেংবা/শেংদবদুনি। গভর্ণমেন্টনা থাজৈ-সিঙ্গাপোরিয়ন অমনা কৈদৌঙৈদা নমথাক তৌরক্লোই। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৮১

উসম ধনঞ্জয়

**জুলাই ২৯, ২০০৯ :** মণিপুরগী বোক্সর মেরি কোম অমসুং এল সরিতাবু লেমজনফম ওইরবা নেসনল এৱার্দশিং মথংশিংনা রজিব গান্ধি খল রত্ন অমসুং অর্জুন এৱার্দ ফংলকপদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমসুং মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

ও ইবোবীনা হায়, ষ্টেট অসিগী থোইদোক হেন্দোক্লবা নুপী বোক্সর অনীদা অসিগুম্বা ইকায় খুম্নবা উৎলকপা অসি শান্ন-খোৎনবগী লম্দা মণিপুরীশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অদুবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শকখঙবীবনি। এৱার্দ অসিনা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয়শিংবু মখা তানা পূক্লিং থৌগৎলগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

**জুলাই ২৯, ২০০৯ :** শান্ন-খোৎনবগী লম্দা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা এৱার্দ রজিব গান্ধি খল রত্ন এৱার্দ ২০০৮ মণিপুরগী বোক্সর এম সী মেরি কোম য়াওনা শান্নরোয় অহুমদা পীখ্রে। অমরোমদা মণিপুরগী বোক্সর লাইশ্রম সরিতাসু অর্জুন এৱার্দকীদমক খল্লে।

**জুলাই ৩০, ২০০৯ :** জুলাই ২৩দা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা খ্বাইরম্বন্দ বজারগী পোৎফম ফন্বীশিংনা নুমিৎ খুদিংগী চত্থরকপা ধরনা অদু ঙসি পুলিসনা থুগাইখ্রে।

ঙসি অয়ূক পোৎফম ফন্বীশিংনা ধরনা ফম্নবা হৌরকপদা মণিপুর পুলিসকী কাঙবু অমা লাক্তুনা ধরনা অদু থুগাইখিবনি। পুলিসনা ধরনা ফন্বীশিং অদু থুগাইনবা হোৎনবদা টিয়র গ্যাস কাপকে তৌবগা লোয়ননা অথীবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নখি হায়না খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল শেমগৎ শাগৎ লূপকী সেক্রেটরি পি ইবেনুনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ধরনা ফমদ্রগসু মিনট অনীখক্তা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না ঈং-তপ্পা ফংজনবা খুরুমজগে হায়বফাওবা পুলিসনা য়াখিদে। অসিগুম্বা থৌওং অসি কন্দেম তৌই হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাংৱাইরম বজারগী পোৎফম ফন্বী নুপীশিংনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দম অদু মণিপুর কৈথেল ফন্বী অপূনবা লূপ, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল শেমগৎ শাগৎপা লূপ, ষ্ট্রিট ভেন্দর ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন খ্বাইরম্বন্দ বজার, খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লূপ, মণিপুর নুপী মরুপনা পীশিনখিবনি। মেমোরেন্দম অসি ঙসি মণিপুরগী গভর্ণরদা পীশিন্নবা লাকপদা গভর্ণর লৈরমদবদগী চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখি। হয়েং গভর্ণরদসু কোপি অমা পীশিনগনি হায়রি।

সী এমদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা, থৌদোক অদু জুদিসিয়েল ইনক্বারি তৌদুনা অচুম্বা পুথোকপা, থৌদোক অসিদা চেন্নবা পুলিস কম্মান্দোশিং চৈরাক পীবা, ফেক ইনকাউন্টর লেপহনবা অমদি অফস্পা মুথৎপা হায়বা ৱাফম য়াওখি হায়রি।

চৈরকসিদা, তাং ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী থৌদোক অদু ৱিমেন্স এসোসিএসন ফোর সিভিক এক্সন কংলৈপাক (ৱাসক) না কন্দেম তৌরক্লি। লূপ অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল টি সনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা, মীয়াম চোন্না তিনবা মফমদা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপ্পগী থৌদোক্তা শিখিবা রবিনাগী মতাংদা জুদিসিএল ইনক্বারি তৌগদবনি, মঙোন্দা পাল্লিবা মরূ অদু লালহৌবগীরা নৎত্রগা সিফাইগীরা হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা লৈঙাক্লা খঙহনগদবনি হায়খি।

লমদম অসি মপু পান্দবগা মান্নরে। থোক্লিবা মীশি মীনাগী থৌদোকশিং পোলিটিক্সকী থাক নেম্বননি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা মীয়ামগী খন্থবা মতম ওইরে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

**জুলাই ৩০, ২০০৯ :** ঙসি থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিমশিংগী খূৎতা মীওই অনী শিরে। অকোনবগী থৌদোক ওইনা হৈবোক চীংখোঙদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদুগী মতুংদা মফম অদুগী নুপীশিংনা মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্নবদা লালহৌবনি হায়না হাৎখিবা মীওই অসি পূন্না মঙা শুরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

লংথবাল চীংখা কবুই খুন মৈরা পায়বীশিংনা মফম অদুদা চঙশিল্লুবা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, ঙসি নুংথিল কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলসকী জীপসি অহুম খুনগী লম্বীদা থৌজিল্লকপা উবদগী চিংনদুনা মৈরা পায়বীশিং থোক্লক্লবা কাংশি খিংখি। কাংশি খিংলিঙৈ মরক্তা খঙহৌদনা মফম অদুদা মীয়াম্না নোংমৈ মখোল তানরকখি হায়রি।

য়াম্না তোয়না মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্লে হায়রদুনা, মীহাৎ মীপূন থোকপা থৌদোক অদু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা মৈরা পায়বীশিং অদুনা কম্মান্দো অমদি অসাম রাইফলস পার্সনেলশিং অদু হন্দোরকপা য়াদনবা লম্বীদা উ-ৱা ফৈজিন্দুনা থমজিনখি হায়রি। মদুদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদু অশিবা হকচাংদু পুরগা লংথবাল খৌপুম তাবা লম্বীরোমদা চৎখি হায়নসু মৈরা পায়বীশিংনা ফোঙদোরকখি।

মৈরা পায়বীশিংনা হায়, মায়কৈ অদোমদা সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা অন্দরগ্রাউন্দনি হায়দুনা হাৎপসি ঙসিগীসি থারগা মঙারক শুরে। হন্দক্তসু ইকুই কুইদনা নহা অমা পুরগা লাকপদা মৈরা পায়বীশিংনা তান্নবগী থৌদোক অমসু লৈখ্রে।

খুনসিদা মী পংহাত্তা হাৎপদগী তম্নদুনা নুপী অঙাংশিং চৎপা কিনরে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা মৈরা পায়বীশিংনা অমুক মখা তানা মী হাৎপীরনু হায়নসু আপিল তৌখি।

পুলিসতগী ফংবা পাউদা, ঙসি নুংথিল পুং ১২.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লংথবাল হৈবোক চীংখোঙদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ২৮শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিম অমগা খূৎ থোক্লবদা মীওই অদু শিখিবনি। মঙোন্দগী পোইন্ট থ্রী আইটকী রিভোলভর অমা, নাইন এম এমগী টোক্লিং মরি অমসুং এ কেগী টোক্লিং নিপাল ফংই হায়রি। এ কেগী টোক্লিংশিং অদু শিরবা মীওই অদুগী মনাক্তগী খরা চথোক্লগা ফংবনি। মশক মমিং খঙদ্রিবা মীওই অদুগী ওই থংবা খুদাংদা 'ফেনা' হায়না ইংলিসনা ই। অশিবা হকচাংদু রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। থৌদোক থোকফমদা লৈরম্বা পুলিস কম্মান্দোশিংনা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না, মফম অদুদগী খূৎলায় পায়বা নহা অনীদি নান্থোকখ্রে হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেরা চিংজিন্দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৩৪শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিমগা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা মীওই অমা শিরে। থৌদোক অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সেনিয়র এস পিগী ওফিসতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়াইরিপোক য়াম্বেম এরিয়াদা অন্দরগ্রাউন্দগী মীওই খরা লৈরে হায়বা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৩৪শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিম অমা মফম অদুদা চঙশিনখি।

কম্বাইন্দ টিম অদুনা অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা তেরা চীংজিন য়ৌশিল্লমদাইদা অন্দরগ্রাউন্দগী মীওইশিংনা নোংমৈ কাপ্লকখি। সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংনসু হন্দুনা মিনট ১০/১৫ রোম কাপ্নখি। কাপ্নবা অদুদা অন্দরগ্রাউন্দনি হায়না চিংনবা মীওই অমা শিখি। লোয়ননা অশিবা হকচাং অদুগী মনাক্তগী নাইন এম এম পিষ্টোল অমা, নাইন এম এম পিষ্টোলগী মেগজিন অমা অমসুং নাইন এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৩ ফংই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদগী কে ৱাই কে এলগী মীওই অমা অমসুং আর পি এফ/পি এল এগী সিম্পেথাইজর অমা ফারে হায়রি। কে ৱাই কে এল অদুগী মমিং অঙোম অশোক কুমার এলিয়জ তোম্বা (৩৫) অপোকপগী মিং মংলেমজাউ কৌই। ফয়েং চীং খুনৌদগীনি। অদুগা আর পি এফ/পি এল এগী সিম্পেথাইজর অদুগী মমিংনা গুরুময়ুম মহাবির শর্ম্মা (৫৫) অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা মনি শর্ম্মা কৌই। ৱাংখৈ কোইজম লৈকায়দগীনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সেনিয়র এস পিগী চেরোল অমনা হায়রি।

অতোপ্পা অমনা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা কে সী পি (এম সী) গী মীওই অনী, কে সী পিগী মীওই অমা অমসুং পল্ফকী মীওই অনী ফারে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পিগী তোঙান তোঙানবা চেরোলশিংনা হায়রি। ●